# ২০০৭ তা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ৩৩শুবা নেসনল গেমসতা ঐহাক মণিপুর টিমগী কেপ্টেন ওইনা চৎচরকখি

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**সেপাক টাক্রোদা মীৎয়েং অমা**



থৌদাম মেন্মী
*ইন্টর্নেসনল প্লেয়র, সেপাক টাক্রো*



(ঙরাংগী মখা)

১৯৯২দা মণিপুরনা হোষ্ট টিম ওইদুনা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা সেনিয়র নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ্তুগী হৌরগা ২০০৮ দা অমুক হন্না ষ্টেটসিদা তৌখিবা ‘১৯ লক শুবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ’ ফাওবা শান্নজরকপা মতমদা সনাগী মেদল ১২ লৌবা ঙমজরকখি। মরক্তা ঐহাক চহী খরসু শান্নবা লেপ্লকখি। অদুবু নেসনলগী হেক শান্নখিবা চেম্পিয়নশিপ্তুদি মণিপুরদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা ঙাক্তনি।

১৯৯৯দামণিপুরনায়ুম্বুওইদুনা পাঙথোকখিবা ‘মঙাশুবা নেসনল গেমস’ অদুদসু মণিপুর টিম্না গোল্ড মেদল লৌখি। ফিফ নেসনল গেমসতা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংদি মথংশিংনা পুর্ণিমা, হেমা, চাওবা, লিন্দা, মনিবালা, রোমাবতি, ইচলবী, কমলা, ঐ ইশামক্কা ঐখোয়সিনি। ফাইনেলদা ঐখোয় বেঙ্গোল টিমগা শান্নখি। অদুবু ঐখোয়না য়াম্না লাকচনা থোইবা ঙমখি।

সেপাক-টাক্রোগী শান্নরোয় অমা ওইনা ঐহাক নেসনল গেমস অহুম্লক্তসু মায় পাক্লা শরুক য়াজরকখি। কুমজা ১৯৯৯দা মণিপুরদা তৌখিবা অদুদসু ঐখোয় গোল্ড লৌজখি। মদুগী মথং মথং ২০০২দা হাইদ্রবাদতা পাঙথোকখিবা ৩২শুবা নেসনল গেমসতসু সনাগী মেদল ফঙলকখি। লোয়ননা ২০০৭তা গুৱাহাটিদা চথখিবা ‘৩৩শুবা নেসনল গেম’ তসু গোল্ড মেদল লৌরকখি।

নেসনল গেমসতা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্লবদি, মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থবক পীগনি হায়বা ৱাফম অমা ১৯৯৯গী মতমদগী ষ্টেটসিদা লৈরকখি। শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন কয়াগী শান্নরোয়শিংসু নেসনল গেমসতা গোল্ডবু লৌরবদি থবক লায়না ফংনরকখি। ঐখোয় সেপাক টাক্রো নুপী শান্নরোয়শিং, নেসনল গেমস অনীরক্তা গোল্ড লৌরকখ্রবসু ২০০২ ফাওবদি থবক তানবগী ৱাখল করিসু লৈনখিদে। অদুবু ২০০৭তা গুৱাহাটিদা তৌখিবা নেসনল গেমসকী মতুংদগীদি ঐখোয় থবক তানবা হৌরকখি। গুৱাহাটি নেসনল গেমসতা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নখিবা প্লেয়রশিংদি ও জিমি, কে ঐচ রোবিতা, ই বিনালতা, ই রাশেশ্বরী, এ কেজিনা, ই রোনিতা, ই তোম্বীসনা, মিলানা, এ কে রেবিকা, আই চিত্রালেখা, অরুনা, ঐহাক্লা ঐখোয় ১২নি। গুৱাহাটি নেসনল গেমসতদি ঐহাক্লা মণিপুর টিমগী কেপ্টেন ওইরগা চৎচখি। ঐহাক্লা শান্নরজরকপদা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ পুন্না তরুকলক্তা কেপ্টেন ওইজরকখি। ২০০৫দা মহারাষ্ট্রদা তৌখিবা ‘২শুবা ফেদরেসন কপ্তসু ঐহাক্লা মণিপুর টিমগী কেপ্টেন ওইখি। লোয়ননা ফেদরেসনকপ অসিদা বেষ্ট প্লেয়রগী মনাসু ফঙজরকখি। অদুগা ঐখোয়গী মতমদা শান্নমীন্নরিবা সেপাক টাক্রোগী প্লেয়র লোইনমক থবকসু লোইনা ফঙখি।

নেসনল গেমসকী ওইনা শান্নবদা য়াম্না নুংঙাইখিবসিনা ২০০৭কী গুৱাহাটি নেসনল গেমস অদুনি। মদুগী ফাইনেলদা ঐখোয় অসাম টিমগা শান্নখি। অসাম টিমসি থোইনা অরিংবা টিম নত্তে। ঐখোয়না ইরায় লায়না অদুম থোইখি। সেপাক টাক্রোসিদদি মণিপুর মচাশিংগা লম্বা পাবসি অতে ষ্টেটশিংগী প্লেয়রশিং ৱানা থোক্লি। অদুমকপু হৌখিবা চহী খরা অসিদদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদি তপ্না তপ্না ফগৎলকপা উরে। মণিপুরী মচাশিংগা খরা তোইনা শান্নমিন্নবা প্লেয়রশিংগী মরক্তা ফজরকপদি য়াওরক্লে।

ইন্টরনেসনল থাক্তা ঐহাক্লা ইহান হান্না শান্নজরকখিবসিনা ১৯৯৮দা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা ‘১৪শুবা কিংস কপ’ তগীনি। মদুগী মতুং ১৯৯৯দা তৌখিবা ‘১৫শুবা কিংস কপ’তসু শরুক য়াজখি। ইন্টরনেসনল থাক্তসু, কিংস কপ অনী য়াওরগা ১৫শুবা এসিয়ান গেমস, অনীরকশুবা ইন্দোর এসিয়ান গেমস অমদি ‘অহুমশুবা ইন্দোর এসিয়ান গেমসতসু ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নজরকখি।

অমরোমদা, ইন্টরনেসনল থাক্কী চেম্পিয়নশিপ কয়াদা শরুক য়াবা চৎনিংলবসু শেল-থুমগী প্রোব্লেম লৈবনা মরম ওইরগা অয়াম্বদি চৎপা ঙমজরকখিদে। মরক্তুদা, এসিয়া মহাদেশকী ওইনদি য়াম্না পোপ্যুলর ওইবা নৌনা হৌদোরকপতা ঙাইরিবা মশান্না অমা ওইরিবা ‘হুক-টাক্রো’ হায়বা ইন্দোর এসিয়ান গেমসতসু ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নজরকখি। হুক টাক্রো হায়বসি শান্নগদৌরিবা হোলদুগী মথক্তগী রিঙ অমা থাদরক্লগা মদুদা বোলসি চঙনবা কাউরগা পোইন্ট লৌনবনি। অপিবা মতম অমগী মনুংদা বোল কাউবগী ষ্টাইলসি অহুম অহুম্না খুজিং ওইরগা কাউগদবনি। কোক্না অহুম, খোঙনা অহুম, ফৈগননা অহুম, খোঙগী তোঙান-তোঙানবা শরুকশিংনা লোয়না কাউবা য়াই। তৌবতদি অহুম অহুম্না খুজিং ওইগদবনি। এসিয়া লৈবাকশিংগী মনুংদা ভিয়েটনাম, থাইলেন্দ মখোয়সি য়াম্না ফজে। ঐখোয়দি খুৎলোয়বা খরা ৱাৎলি।

*মথং মথং...*

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৩

১। ঐহাক মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী দ্রামা য়াওবা নুপানি। মতম অমদা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী লূপ (স্পোর্টস এসোসিএসন) অমগী অহানবা প্রসিদেন্টনি। ঐহাক্কী মীং হায়ু।

২। মণিপুরগী টিম অমা কুমজা ১৯৫২দা Nagaon Independence cup তা শরুক য়াখি। মণিপুর টিমনা ফাইনেল শান্নবদা চীংমীগী শান্নরোয়শিংনা মশীং য়াম্মী। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী য়াওখি। মখোয়গী মমিং হায়ু।

৩। রোয় জোনস ওলিম্পিক্কী বোক্সিং ফাইনেলদা মায়থীবা নংখি। অদুবু মহাক বোক্সিংগী খ্বাইদগী চাউবা ত্রোফি অমা ফংখি। ত্রোফি অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক্না চহী ১৩ শুরকপদা কুমজা ১৯৭২গী ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল অহুম ফংখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ নাওমী ওসাকা ষ্টুটগার্ট ওপনদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

**ষ্টুটগার্ট, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) ঃ**

জর্মনিগী সিটি ষ্টুটগার্টতা পাঙথোক্লিবা ষ্টুটগার্ট ওপন দব্লিয়ু টি এ টেনিস টুর্নামেন্টতা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ষ্টুটগার্ট ওপন (পোর্সে টেনিস গ্রান্দ প্রি) টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অনীশুবা রাউন্দদা টাইৱানগী শান্নরোই সৈ সু ৱৈবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা পীখি। মায় পাকপা অদুনা নাওমী ওসাকানা নুপীগী সিঙ্গলসকী ৱর্ল্ড নম্বর ১গী থাক্তা লৈরিবা অদু মখা তানা অদুমক লৈবা ঙমগদৌরি।

ষ্টুটগার্টওপন টেনিসটুর্নামেন্টঅসি ক্লে কোর্টতা শান্নবা টুর্নামেন্ট অমনি। নাওমী ওসাকাগী ওইনদি মহাক্কী কেরিয়রদা ক্লে কোর্টকী টুর্নামেন্ট অমত্তা মায় পাকপা ঙমদ্রি।

গ্রান্দস্লাম টাইটল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবী নাওমী ওসাকানা হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা মিয়ামি ওপন দব্লিয়ু টি এ টেনিস টুর্নামেন্টতা চাইনিজ টাইপৈকী সৈ সু ৱৈনা মায়থিবা পীরম্বা অদু ঙরাং লমন শীংবা ঙমখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অহানবা সেট অদুগী হৌরকপদা ওসাকা অমসুং সু ৱৈনা লম্বা মান্ননা শান্নরম্বদগী সার্ভিস গেম অমা ওসাকানা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোই অদুগী মুনবা ঙমদুনা মাংজিল থাখিবদগী ৬-৪দা থোইখি।

অনীশুবা সেট অদুগী হৌরকপদা ওসাকানা সু ৱৈগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। মহাক্না সেমি ফাইনেল য়ৌনবা রসিয়াগী দারিয়াবু মায়থীবা পীরম্বী ক্রোএসিয়াগী ভেকিক্কা থেংনরগনি।

## এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী অমিত পনঘল অমসুং পূজা রাণি গোল্ড ফংখ্রে



**বেংকোক, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী)ঃ**

ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর অমিত পনঘল অমসুং নুপীগী বোক্সর পূজা রাণি থাইলেন্দগী কোনুং বেংকোক্তা পাঙথোকপা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৫২গী কেটিগোরিগদা ইন্দিয়াগী অমিত পনঘলনা ঙসি গোল্ড মেদল লৌদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওইনা চহী অনী থংন-থংননা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

পনঘলনামহাক্কীকরিয়রদা কিলোগ্রাম ৪৯দা হান্না শান্নরম্বদগী কিলোগ্রাম ৫২দা হেনগৎতুনা শান্নরকপদা অহানবা ইন্টর্নেসনল টাইটল লৌবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। নীংশিংবা য়াই, অমিতনা কুমজা ২০১৫দা হায়রিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা কিলোগ্রাম ৪৯গী কাংলুপ্তা শরুক য়াখিবদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রবনি।

অমিত পনঘলনা ঙসি কিলোগ্রাম ৫২গী কাংলূপ্তা লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা সাউথ কোরিয়াগী বোক্সর কিম ইনক্যুগা লম্বা তৌনখি। বাউট অদুদা কিমনা হৌরকপদা দিফেন্সিপ ওইবা মওংদা শান্নরকখি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পনঘলনা য়াম্না এটেকিং ওইবা মওংদা শান্নবা ঙমখি। মহাক্কী এটেক অদুদা সাউথ কোরিয়াগী বোক্সর অদু মখুৎ হনবা ঙম্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি।

ইন্দিয়াগী অমিত পনঘলনা বাউট অদুদা কোরিয়াগী বোক্সর অদুবু কয়ারক হন্না কাচিন্দা পুশিন্দুনা এটেক তৌবা ঙমখি। বাউট অদুবু কন্দক্ত তৌখিবা জজ মঙামক্না মহাক্কী মায়কৈদা পোইন্ট হেন্না পীবা ঙমখিবদগী বাউট অদু লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়াগী পনঘলগী মায়কৈদা স্কোর অদু ৫-০দা পীদুনা ফাইনেল অদু মায়পাকখিবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল অদু ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াই, মমাং চহীদা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা অমিত পনঘলনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা কেটিগোরি অসিদা এসিয়াগী ওইনা মহাকপু লম্বা পীগদবা ৱেথ কাংলূপ অদুদা অতোপ্পা এসিয়াগী বোক্সরশিং মশিং থীবদা অৱাবা অমা ওইরক্লি।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৮১গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর পুজা রাণিনা ঙসি লম্বা তৌখিবা ফাইনেল বাউট অদুদা হৌজিক হৌজিকৱর্ল্ডচেম্পিয়ন ওইরিবা চাইনাগী বোক্সর ৱাং লিনাবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল বাউট অদুদা ইন্দিয়াগী পুজা রাণিনা মায়পাক্কনি হায়বসি বোক্সিং মশান্না অসিগী ক্রিটিকশিংনা থাজনখিদবা অমা ওইখি। অদুবু মশাগী চহী ২৮ শুবদা ঙাইরিবী পুজানা য়াম্না কন্না লম্বা পীবা ঙমদুনা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি। পনবা য়াই পুজানা কুমজা ২০১২গী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর মেদল ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিমদা ফাইনেল মায়থীহৌদুনা সিলভর মেদল ফংখিবা অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি- দিপক সিংহ (৪৯), কাবিন্দর সিংহ (৫৬), অসিস কুমার (৭৫) অমসুং সিমরনজিৎ কোর (৬৪)নি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা বোক্সরশিং অদুদি- সিব থাপা (৬০), অসিস (৬৯), সটিস কুমার (৯১মথক), এল সরিতা (৬০), মনিসা (৫৪), নিখৎ ঝারিন (৫১) অমসুং সোনয়ি চাহল (৫৭)নি।

## এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী ভিনেস ফোগট ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে



**জিয়ান, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী)ঃ**

চাইনাগী সিটি জিয়ানদা পাঙথোকপা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৩দা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ভিনেস ফোগট ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

ভিনেস ফোগটনা মশাগী করিয়রদা কিলোগ্রা ৪৮-দগীনা ৫০ ফাওবগী মনুংদা কম্পিটিসন শরুক য়ারম্বনি। অদবু মহাক্না কিলোগ্রাম ৫৩দা হেনগত্তুনা শরুক য়ারকখিবা অহানবা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্ট ওইরিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ভিনেস ফোগটনা মহাক্কী কেটিগোরি অদু হান্নগী কিলোগ্রাম ৪৮দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈরম্বদগী কিলোগ্রাম ৫৩গা হেনগৎখিবা অদু মথং চহীদা জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা টোকিওদা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক গেমসতা রেষ্টলিং দিসিপ্লিন অসিগী মমাংদা চৎনরম্বা ৱেথ কেটিগোরি অদু খর শেমদোক শেমজিন তৌখিবদগী কিলোগ্রাম ৪৮দগীনা ৫০ফাওবগী কেটিগোরি য়াওরকখিদবগী কিলোগ্রাম ৫৩দা হেনগৎতুনা কম্পিটিসন শরুক য়ারকখিবনি।

ভিনেস ফোগটনা হৌখিবা থাদা বলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা য়ু দব্লিউ দব্লিউ দান কোলোব-নিকোলা পিট্রোব রেষ্টলিং কম্পিটিসনদা শরুক য়াখিবদা সিলভর মেদল ফংখি।

ভিনেসনা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুনা মঙোন্দা য়াম্না কান্নবা অমা পীরি হায়খি। ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৫৩গী ব্রোঞ্জ মেদল বাউট অদুদাভিনেসনাচাইনাগীরেষ্টলরকিয়ানয়ু পাঙগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৮-১দা মায়পাক্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল অদু লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুদা অতোপ্পা নুপী রেষ্টলর অনী দিবয়া কক্রন অমসুং মঞ্জু কুমারিসু ব্রোঞ্জ অমমম ফংখি। মখোয় অনীম্মক ঙরা পাঙথোকপা সেমিফাইনেল বাউটতা মায়থীহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক লম্বা তৌনখিবনি। এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবী কক্রননা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর বাটসেসেক সোরোনজোনবোল্ডবু কিলোগ্রাম ৬৮গী কাংলুপ্তা মায়থীবা পীখি। নীংশিংবা য়াবদি কক্রননা সেমীফাইনেলদা চাইনাগী রেষ্টলর ফেং ঝৌগী মখুত্তা পোইন্ট ৪-১৪দা মায়থীহৌবনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী মঞ্জু কুমারীনা ভিয়েটনামগী থি হুৱোং দাওবু পোইন্ট ১১-২দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। মহাকসু সেমী ফাইনেলদা ঙরাং কিলোগ্রাম ৫৯গী কেটিগোরিদা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর বাটসেসেক অল্টান সেসেক্কী মখুত্তা পোইন্ট ৬-১৫দামায়থীদুনা লৈহৌখিবনি। মদুনা মরম ওইদুনা ব্রোঞ্জদ মেদলগী লম্বাদা ভিয়েটনামগী রেষ্টলর থি হুৱোং দাওবু ১১-২দা মায়থীবা পীদুনা মেদল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর ললিতা অমসুং পুজা মখোয়-মখোয়গী কিলোগ্রাম ৫৫ অমসুং ৭৬কী কেটিগোরিদা ক্বার্টরফাইনেল মায়থীহৌদুনা মেদল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

## এফ আই ঐচ সেরিজগী জুন ৬তা শান্নগদবা অহানবা মেচতা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়া লম্বা তৌনরগনি



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী)ঃ**

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী জুন থাগী ৬তগী হৌগদৌরিবা এফ আই ঐচ (ইন্টর্নেসনল হোকি ফেদরেসন) গী মখাদা পাঙথোক্কদবা হোকি সেরিজ ফাইনেলগী অহৌবা মেচতা য়ুম্বু ইন্দিয়া অমসুং রসিয়া লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়াগী ওরিছা ষ্টেটকী কোনুং ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। টুর্নামেন্ট অসিনা কুমজা ২০২০গী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফায়র অমসু ওইগদৌরিবনি। ৱর্ল্ড নম্বর ৫দা লৈরিবা ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ড নম্বর ২২ রসিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। হৌদোকপা নুমিৎ অদুদা সাউথ অফ্রিকা অমসুং য়ু এস এ লম্বা তৌনগনি অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা পোলেন্দ অমসুং উজবেকিষ্টান শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়া পূল এদা রসিয়া, পোলেন্দ (রেঙ্ক ২১) অমসুং উজবেকিষ্টাননা পুন্না লম্বা তৌনগদৌরি। অমরোমদা পূল বিদা এসিয়ন গেমস গোল্ড মেদালিষ্ট জপান (রেঙ্ক ১৮), য়ূ এস এ (রেঙ্ক ২৫), সাউথ অফ্রিকা (রেঙ্ক ১৬) অমসুং মেক্সিকো (রেঙ্ক ৩৯)নি।

## ৱর্ল্ড টেবল টেনিসকী নুপীগী ফাইনেলদা চাইনাগী ২ থেংনরগনি

**বুটাপেষ্ট, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) ঃ**

হঙ্গেরিগী কোনুং বুটাপেষ্টতা চথরিবা টেবল টেনিস ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোয় অনী লিয়ু সিৱেন অমসুং সেন মেং লম্বা তৌনরগনি।

অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা সেন মেংনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় মনয়ুবু ষ্ট্রেট গেম ৪দা ১১-৫, ১১-৭, ১১-৫, ১১-৮তা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ১ সিদেদ চাইনাগী দিংনিংবু ৪শুবা সিদেদ লিয়ু সিৱেননা গেম ৪-২দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী অহানবা গেম অনী নম্বর ১ শান্নরোয় দিং নিংনা ইকোম কোম্না ১১-৬, ১১-৯দা মায়থীবা পীখি। অদুবু লিয়ু সিৱেনগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙম্বদগী মখা তাবা গেম ৪ থোইখি।

অহুমশুবা গেম অদু ১১-৫তা, মরীশুবা গেম অদুসু ১১-৫তা অদুগা মঙাশুবা অমসুং তরুক শুবা গেম অদু য়াম্না লায়না ১১-০, ১১-২দা থোইদনুা ফাইনেল য়ৌখিবনি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অনী শান্নবা লোইখিবদা চাইনাগী লিয়াং জিংকুন অমসুং মা লোংনি।

৯শুবা সিদেদ লিয়াং জিংকুননা ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয় কোকিনিৱাবু ১২-১০, ১০-১২, ১১-৮, ১১-৪, ৯-১১, ৭-১১, ১১-৫তা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা মায় পাকপদগী সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদনা চাইনাগী শান্নরোয় অনী লম্বা তৌনখি। ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা চাইনাগী লিন গাওয়োনবু ১১শুবা সিদেদ অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় মা লোংনা ১১-৮, ১১-৯, ১১-৮, ১১-৪দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা লিয়াং জিংকুনগা লম্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী টাইটল অদু চাইনাগী পেয়র জু জিন অমসুং লিয়ু সিৱেননা জপানগী পেয়র মহারু য়োসিমুরা অমসুং কাসুমি ইসিকৱাবু ১১-৫, ১১-৮, ৯-১১, ১১-৯, ১১-৪দা মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপকী মিক্স দবলসকী টাইটল লৌখি।

## এসিয়ান বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা সাইনা, সিন্ধু অমসুং সমির মায়থীহৌরে




**ৱুহান, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী) ঃ**

চাইনাগী সিটি ৱুহানদা লৈবা স্পোর্টর্স সেন্টর জিমনেজিয়মদা পাঙথোকপা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল, পি ভি সিন্ধু অমসুং সমির বর্ম্মা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।

সাইনা নেহৱালনা ঙসি টুর্নামেন্ট অদুগী ৩শুবা সিদেদ জপানগী অকিনা য়ামাগুচিগা লম্বা তৌনবদা গেম ১-২দা মায়থীখি। অহানবা গেম য়ামাগুচিনা ২১-১৩দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুদা সাইনা নেহৱালগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনদুনা ২৩-২১দা থোইরগা দিসাইদিং শান্নখি। মদুদা জপানগী শান্নরোয় অদুনা হেঞ্জিলক্তুনা ২১-১৬দা থোইদুনা নেহৱাল লৈহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পি ভি সিসিন্ধুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী কাই ৱাই ৱাইগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অকনবা লাম্ষ্টেং অমদা ১৯-২১দা মায়থীখি। অদুবু অনীশুবা গেমদদি চাইনা শান্নরোয় অদুনা সিসিন্ধুবু মায়কৈ খুদিংদা লাকশিন্দুনা ২১-৯দা থোইরগা সিসিন্ধু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সমির বর্ম্মা চাইনাগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ সি য়ু কিগী মখুৎতা ১০-২১, ১২-২১দা মায়থীরগা ক্বার্টর ফাইনেল লৈহৌখি।